সিনিয়র সিটিজন ফোরম ককচিংনা শীন্দুনা রিপ্রজেন্টেটিভস ওফ লোয়স (আর ও এল) ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল দে ওফ ওল্ডর পার্সন্সকী থৌরম

SENIOR CITIZENS FORUM, KAKCHING
Observance of the
NATIONAL DAY OF OLDER

লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ইরমদম খোর্জে অপূনবা লূপকী ২৭শুবা লাইরিক *মাইবম নবকিশ্বর পুন্সি অমসুং মহাক্কী সাহিত্য নৈনবা* ফোঙখিবা

ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি কৈনৌ জি পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা কৈনৌ থোংখোং কম্যুনিটি হোলদা জল জিবন মিসনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা গ্রাম সভা মীফম

OBSERVATION OF
NATION-WIDE GRAM SABHA AND
VWSC WITH VILLAGE WATER AND
SANITATION COMMITTEE (VWSC)
ON JAL JEEVAN MISSION
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
GOVERNMENT OF MANIPUR
GRAM SABHA
People's Plan Campaign 2021
For Formation of GPDP
'SABKI YOJANA SABKI VIKAS'
KEINOU GRAM PANCHAYAT
VILLAGE WATER AND SANITATION COMMITTEE
KEINOU G.P. - BISHNUPUR

ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী মখাদা ককচিং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখিবা

ডোক্টরেট পীরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ভারত ভর্চ্যুএল য়ুনিভর্সিটি ফোর পিছ এদ্যুকেসন বেঙ্গলুরুনা দাইনা কোংখামদা এদমিসন্স এন্দ কাউন্সেল্লিং ডোক্টরেট দিগ্রী পীরক্লে। দাইনা কোংখাম চিঙামখা মৈস্নাম লৈকায়গী কোংখাম বীরকুমার অমসুং হাওবম অশালাতাগী অনীশুবী মচানুপীনি। দাইনা কোংখামনা মহৈরোয়শিংগী এদমিসন অমসুং কাউন্সেল্লিংগী লমদা তৌবা থবকশিংবু য়ুনিভর্সিটি অসিনা শকখঙবীদুনা ডোক্টরেট দিগ্রী অসি পীরকপনি হায়রি।

পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

এস এস ইন্টরটেনমেন্টনা শীন্দুনা স্বর্গ্যা গুরু গুরুময়ুম বাগেন্দ্রো শর্ম্মগী ৯৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ঝুম মীটকী খুত্থাংদা ওনলাইনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা রোল এন্দ কন্ট্রিব্যুসন ওফ স্বর্গ্যা গুরু বাগেন্দ্রো ইন দি হিষ্ট্রি ওফ মণিপুরী মনোহরসাই সঙ্কীর্ত্তনা হায়বা থীমদা নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ৱেবিনার অমসু পাঙথোকখি। ৱেবিনার অদুদা লৈখিদ্রবা গুরু অসিনা মণিপুরী মনোহরসাই সঙ্কীর্ত্তনাবু য়ুনেস্কোগী রিপ্রজেন্টেটিভ লিষ্ট ওফ দি ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটিদা মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনাগী শরুক অমা য়াওননবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদুবু নৌহৌননা নীংশিংদুনা নৈনখি হায়রি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

জে এ সী ওফ এন ঐচ-২ এক্সপান্সন এফেক্টেদ লেন্দ ওনরস (মন্ত্রি লৈকায়, খোংহাম্পাৎ, মহারাবি, সেকমাই, কংলাতোংবী, তেন্দোংয়াং, ফৈদিঙ্গা)না ওক্টোবর ৩ দগী হৌরগা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসিগী য়েংলগা হন্দোক্লে। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মতম খরগী ওইনা হন্দোকপনি অমসুং এন এস সী অমসুং এন ঐচ আই দি সী এলনা এন ঐচ-২ এক্সপান্সনগী চথরিবা থবক অসিদি ফাইনেল কেবিনেট দিসিজন অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা লেপখিগদবনি। জে এ সী অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোজিটিভ রেস্পোন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু জে এ সী অসিগী প্রসিদেন্ট, কনভেনর অমসুং সেক্রেটরিনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ইরমদম খোর্জে অপূনবা লূপ (ইখল) মণিপুর, হিয়াংলম-ৱাবগাইগী ২৭শুবা লাইরিক মাইবম নবকিশ্বরগী *পুন্সি অমসুং মহাক্কী সাহিত্য নৈনবা* ঙসি ককচিংদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন তোম্বীনা অথোইবা মীথুং, ইরমদম খোর্জে অপূনবা লূপ (ইখল)গী ভাইস প্রসিদেন্ট তোলচৌ শমজেৎশাবমনা থৌরম মপু, মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীগী কনভেনর এন কিরনকুমার, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ক্ষেত্রি বীর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন ওফ হ্যুমেনিটিজ প্রোফেসর এন অরুনা অমসুং মণিপুর কলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মখোনমনি মোংশাবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। লাইরিক অসিগী এদিটরনা নোংথোম্বম বিশ্বর্জিৎনি।

লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

সিঙ্গা মখা লৈকায় ৱেলফেয়র ক্লব (এস এম দব্লিয়ু সী)না শীন্দুনা ফাদর ওফ দি নেসননি হায়রিবা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ক্লব অসিগী অকোয়বদা লম-তূ শেংখ্রে। মহাত্মা গান্ধীনা পামজরম্বা লূ-নানবা, তরু-তরুনা লৈবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুবু ঈকায়খুম্নবা ওইনা লম-তূশেংখিবনি।

পার্টিনা শেমগৎ-শাগৎলক্কদবা নত্তে : সুরচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

চাউখৎ থৌরাংগী শেমগৎ-শাগৎপা হায়বা অসিদি পোলিটিকেল পার্টিনা শেমগৎ শাগৎলক্কদবা নত্তে, শেমগৎ শাগৎকদবদি এম এল এ ওইগদৌরিবা মী অদুনি হায়না হান্না ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরম্বা য়েংখোম সুরচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচিং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা বিজয়পুরদা লৈবা অহল-লমনশিংদা অঙম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সন অসিদা মহাকপু মায় পাকহনবীয়ু হায়না য়াইফ থৌনি তৌবগী থৌরমদা সুরচন্দ্রনা মখা তানা হায়খি, ককচিংদা এম এল এ কয়া লৈখ্রে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরম্বা ফাওবসু য়াওখ্রে। অদুবু ককচিং এ সী অসি লম্বী-থোং শোত্থদুনা লৈরমখি। মহাক্না চহী ১৩ রোম এম এল এ ওইরম্বদা হান্না এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরম্বশিং অদুনা তৌবা ঙল্লমদবা থবক কয়া অমা মহাক্না এম এল এ ওইজরবসু খঙন-চান্নবা মিনিষ্টরশিংদা হায়জ-চৎচদুনা পায়খৎলমখি। মতম অদুদা লৈরমখিবা এম এল এশিংনা ইন্থোক্তুনা থম্বীরম্লবা শেমগৎ-শাগৎপীরমদ্রবা বিজয়পুর, পল্লেল, সোরা, ইরেংবনদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক কয়া অমা পায়খৎলি। সোরাদা লৈঙাক্কী হায় স্কুল অমত্তা থল্লমদবা অদু ঙসিদি সোরা হায় স্কুল লৈঙাক্কী হায় স্কুল ওইরে। ককচিংগী লৈরকশিং চাদা ৯৫ দি কোয়লাস থাবা লোইখ্রে। ককচিং এ সীগী মফম কয়াদা কম্যুনিটি হোল কয়া শারমখ্রে।

১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী ইলেক্সনদা মহাক কোংগ্রেসতগী তোকপা লৈখিদবনা কোংগ্রেসকী টিকেট মহাক্না শোয়দনা ফংগনি। করিগুম্বা লাইবক থিদুনা কোংগ্রেস পার্টিগী টিকেট অসি মহাক্না ফংদ্রবসু পার্টি অমদা শোয়দনা মীখল থেংনগনি। মীয়াম্মসু মহাক্না এম এল এ ওইরিঙৈগী মতমদা শেমগৎ শাগৎপগী তৌরমখিবা থবকশিং অদু খঙবীরগা কোংগ্রেসতা লেপ্পা য়াই। পার্টি অমদা হেক্তা লেপ্পা য়াই ওইনিংবা পার্টি ওইদুনসু মহাকপু নুংশিবীদুনা ভোট পীবীদুনা মায় পাকহনবীয়ু অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি মতম খরা লেপ্লুরবসু মখা তানা অমুক চথহনবীদুনা ককচিং এ সী অসি মশক থোকপা মণিপুরগী মনুংদা মশক থোকপা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহন্নবা হোৎনজগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না বিজয়পুর খুলগী মনুংদা লৈবা লুখ্রাবী ৯, হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা মীওই ৩ অমসুং মমা-মপা লৈজদ্রবা মীওই ২ য়াওনা মীওই ৫০ রোমদা ককচিং এ সীগী হান্নগী এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্রনা ইন্নফি অমমম খুদোল তমদুনা য়াইফ থৌনিজখি।

দি এম য়ুনিভর্সিটি অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরক্কনি : প্রো. রাজমুহোন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরক্কনি হায়না দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইরিবা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা ফোঙদোরক্লি।

সিনিয়র সিটিজন ফোরম ককচিংনা শীন্দুনা রিপ্রজেন্টেটিভস ওফ লোয়স (আর ও এল) ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী ওইরকপদা হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমদা প্রোফেসর রাজমুহোননা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদি চহী ৪০ হেন্না শেমগৎ শাগৎলকখ্রবনা মতিক চাবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরে। অদুম ওইনমক দি এম য়ুনিভর্সিটি অসিদি অনৌবা ওইবনা শেমগৎ শাগৎকদবা কয়া অমা লৈরি। এম য়ুদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবনা শেমগৎ শাগৎনিংলবসু সেন্টরগী অয়াবা ঙাইথোক ঙাইশিন অমুক মথৌ তাই। দি এম য়ুনিভর্সিটিনা ষ্টেটকী ওইবনা শেমগৎ শাগৎনিংবা খূদিং মণিপুর লৈঙাক্কা তাথোক তাশিন তৌনরগা লোইনা য়াই। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি পায়খৎপা য়াবনিনা অথুবা মতমদা খুম্মাং চাউশিন্না চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি খল্লি।

দি এম য়ুনিভর্সিটি অসি দি এম কোলেজকী আর্টস, কম্মর্স অমসুং সাইন্স, জি পি ৱিমেন্স কোলেজ অমসুং এল এম এস লো কোলেজনা পুল্লগা শেম্বনি। অদুম ওইনমক কেম্পস অমত্তদা লৈনরিবা দি এম কোলেজ অসি হিন্দী টিচরস এদ্যুকেসন অমসুং দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন অনী অসিদি দি এম য়ুনিভর্সিটিদা লৌশিনবদা য়াওরমদ্রে। কেম্পস অমত্তদা লৈমিন্নরগা লৌশিনবদা য়াওরমদবা অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলকপদা খুদোংচারোইদবা লৈবনিনা মসিসু লৌশিন্নবা লৈঙাক্কা তাথোক তাশিন তৌদুনা হোৎনরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনল দে ওফ ওল্ডর পার্সন্স (য়ু এন আই দি ও পি)গী কুমজা ২০২০গী থীম ‘পেনেদমিক্স: দু দে চেঞ্জ হাও ৱি এদ্রেস এজ এন্দ এজিং’ অমসুং কুমজা ২০২১গী থীম ‘দিজিটেল ইক্যিটি ফোর ওল এজ’ পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোন, ভি সী, দি এম য়ুনিভর্সিটিনা অথোইবা মীথুং, নোংমাইথেম নিমাই, প্রসিদেন্ট সিনিয়র সিটিজন্স ফোরম ককচিং (হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্বা)না থৌরম মপু অমসুং টি ঐচ তোম্বা, হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্বনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না মালেমগী অহল ওইরবশিংগী নুমীৎ থৌরমগী থীমগী মতাংদা ময়াংলম্বম নরান, থবক্তুগী পোত্থারবা ওজানা ৱা ঙাংখিবা থৌরম অদুদা সিনিয়র সিটিজন্স ফোরম ককচিংগী মায়কৈদগী প্রোফেসর রাজমুহোন, ভি সী, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী মফমদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা মতুং তারকপা তুংগী পুন্সিদা হেন্না চাউখৎপা অমসুং অফবা অমদি চাউখৎপা দি এম য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীখি।

শেমগৎ-শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ককচিং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী মখাদা ককচিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শেমগৎ শাগৎলিবা থবক থৌরমশিং কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসিগী এম এল এগী খোঙচৎ অদুদা ককচিং নাওদম পরেংদা নৌনা শারিবা উকো, মখা লৈকায় জুবেনাইল এসোসিএসনগী শঙলেনগা থংননা এম দি এসকী শেন্থুং মখাদা শারিবা পন্দিত দিল দয়াল উপধ্যায় য়ুথ সেন্টর অমদি ককচিংগী লৌমীশিংগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা পি দব্লিয়ু দিগী শেন্থুং মখাদা কিলোমিটর ৫ শাংবা, হৌজিক হৌজিক লেভেলিং তৌদুনা নুঙ থাদুনা শেমজিল্লিবা লৌশিং লম্বীগী ফীভম য়েংশিনখি।

এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোরকপদা, ককচিং এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদ্রবা লম্বীশিং অয়াম্বা নুঙ থাদুনা শেমজিনবা হৌরে। হায়রিবা লম্বীশিং অসি ইলেক্সন মমাঙদা কোয়লাস থাদুনা শেমজিন্নবা হোৎনজগে। লেমহৌরিবা লম্বীশিং অসি মথং অমুক হন্না মহাক্না মীয়ামগী মহুৎ ওইবা ঙল্লবদি শোয়দনমক কোয়লাস থাদুনা শেমজিনজগে হায়খি।

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), ওল মীতৈ পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এ এম পি এস য়ু এম) অমদি সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন (এস দব্লিয়ু এ)না পুনশিন্দুনা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলুপ কৌবা কম্মিটি অমা শেমজদুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম্না হন্দক চহী অসিদসু লময়ানবা ইরাবতকী ১২৫ রকশুবা নীংশিং থৌরম থাবুম অমা চুপ্পা ইরমদমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না লময়ানবা ইরাবতনীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলুপকী কনভেনর পোইরৈঙানবা খা-ঙানবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থাবুম অসিদা লময়ানবা ইরাবতনা পামজরম্বা ৱাখল্লোন কয়াবু খঙমিন্নবগা লোয়ননা লীক্লমদা চঙশিনমিন্ননবগী চেকশিন ফিরেপ কয়াসু লৌখি। সেপ্টেম্বর থাবুমনা লাকপদা থাবুমসিদা লময়ানবা মহাকপু নীংশিংবনা অচুম্বা ওইদে। মহাক্না পামজরম্বা কয়াদু খরদা ওইরবসু থবক্তা ওন্থোকপনা লুচিংবা মাগী খুদুং ইনবনি খঞ্জে।

চীঙ্গাক্তা মীপাল তাঙদনবা লৌরম্বা থৌদাং কত্থোকপগী ৱাখল্লোন, কনা লৈজদ্রবশিংগী মতেং পাংবা, মরৈবাক মফুরুপ কন্ননবা লৌবীরম্বা থৌগায় কয়া নীংশিংমিন্নদুনা থবক্তা ওন্থোকপগী মতম য়ৌরে। লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলুপনা ইরমদমসিগী মফম কয়াদা শেন্থোক লম্বী লৈজননবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা মখা তানসু পায়খৎননবগী শেম-শাবা লোইরে। থাবুম অমা চুপ্পা চত্থরকপা থৌরম অসিদা মায়কৈ কয়াদগী মতেং পাংবীরকখিবা পুন্ন মকপুসু ঙমখে লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোনবু মীয়ামদা শন্দোকপদা অচৌবা থৌগায় লৌবীরিবা মীদিয়া অমদি মরী লৈনবা খূদিংমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

থাংমৈবন্দ অপূনবা নুপী লূপ (থানিল)গী ২১ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা পাঙথোকখ্রে হায়না থানিলগী সেক্রেটরি জেনরেল দব্লিয়ু থাইইবেম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম জ্ঞানেশ্বরীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মপোক কুমওন থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দগী মৈরা পায়বী লূপশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা থানিলনা মখা তানা লৈবাক্কী থৌরম থৌদাদা মাঙ থানা হনবা লৈতনা থৌনা লৈনা শরুক য়াননবগী ফিরেপসু লৌমিন্নখি। প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা গুনেশ্বরীনা হায়খি, ইরমদম ইফুরুপপু কন্ননবা খোঙজংদা ঐখোয়না থৱায় ফাওবা থাদোকপা কিরোইদবনি। হন্দক মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শাগৎপা পামজবা অথুৱান অবোনমাইবু হাৎতোকখিবা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীহাৎপশিং অদুবু লৈঙাক্না ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়খি।

লোয়ননা লময়ানবা ইরাবতকী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনসু ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা লূপকী লৈখিদ্রবা মেম্বরশিংগী মফমদসু হৈকৎ লৈকাৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনমিন্নসি : সত্যব্রত

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগুম্বা অফবা লিদর অমগী মখাদা ঐখোয় খূদিংমক্না পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা অফবা চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং লেবরগী মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পুন্সি ৱারীদা য়ুন্স্ফম ওইবা ফোটো এগজিবিসন অমদি সেবা ঔর সমরপন অভিয়ানগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর সত্যব্রতনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭১শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা নুমীৎ ২০নি চুপ্পা পাঙথোকপা সেবা ঔর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা নেসনল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। ষ্টেট অসিদসু সেবা ঔর সমরপনগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকপগী মখা তারকপা ওইনা ঙসি ফোটো এগজিবিসন অসি পাঙথোকপনি। ফোটো এগজিবিসন অসিদা উৎলিবা অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা করম করম্না মখলগী থৌগল তৌখ্রবগে হায়বসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা উৎলি। অসিগুম্বা এগজিবিসন অসিনা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক তুং কোইনা অফবা থবক অমদি থৌগল তৌবদা ইনোৎ অমা পীবনি হায়না লৌই। ঐখোয় খূদিংমক অসিগুম্বা অফবা লিদর অসিগী মখাদা পুন্না থবক তৌদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন নিম্বসনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো য়াওবা খাউ কয়াসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী লৈরিবা বি জে পি মন্দলগী থৌমীশিংদা য়েন্থোকখি।

অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী লুচিংবশিংনা এন এস সী এন-আই এমনি চিংনবশিংনা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখ্রবা অথুৱান অবোনমাইগী তরুং খুলদা লৈবা য়ুমদা চৎতুনা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী ফিলাৱোন নিংশেন য়াওনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সী পি আইগী কমরেদ আর কে অমুসনা, ষ্টেট ৱাঙাংলোয় কমরেদ অথোকপম লালা, সিনিয়র সেক্রেটরিয়েট মেম্বর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট/সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি টি ঐচ মেঘচন্দ্র, ৱাংজিং তেন্থা এ সীগী সী পি আইগী মীরেপ কমরেদ ঐচ রোবিন্দ্রো, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর কমরেদ এদভোকেট টি ঐচ শামুঙৌ অমদি থাংমৈবন্দ লোকেল সী পি আইগী মীহুৎশিংনা খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি। জে এ সীনা কৌরিবা টোটেল সটদাউনদা সী পি আইনা মপুং ফানা শৌগৎকনি অমসুং সী পি আইগী ফিরেপশিং অদু জে এ সী অমদি লৈখিদ্রবা অথুৱান অবোনমাইগী লোয়নবী ফিলাৱোন নিংশেনগী মফমদসু চপ চানা খঙহল্লমখি হায়রি।

তুরেলদা ঈরাক্লদুনা ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা সেকমাই তুরেলদা পিকিনিক লাকপা নহা অমা ঈশিংদা ঈরাক্লবদগী লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং এস মালেমঙানবা (২১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস কিরন কৌই। মহাক শীংজমৈ সোরোখাইবম লৈকায়দা লৈবনি।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না মহাক মমান্নবা খরগা সেকমাই তুরেলদা পিকিনিক লাকপনি। মদুদা মখোয়না ঈশিংদা কুপ্লুবদা নান্থখিবদগী থিবা ফংখিদে। মতুংদা মণিপুর ফায়র সর্ভিস অমদি ঈশিংদা লূপ্পগা থিবা মুস্লিম নুপা অমগা পুন্না থিবদা নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৪৫ রোম তাবদা ফংখি। হৌজিক সেকমাই তুরেল অসি জে সী বিনা নুঙ, লৈঙোই কোৎপদা মফম খরদনা থেন্না লৈবা, মফম খরদনা ফিট ৭/৮ ফাওবা লুবা য়াওরে হায়রি।

ভেন ১ মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪০ রোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক বজারদা লৈবা ইরাইসিং কৌবা ৱেল্ডিং শৌফম অমদা মারুটি ভেন (এম এন ০৬ এল এ/০৮৩১) অমা ৱেল্ডিং শৌবদা খঙহৌদনা মৈ হৌরক্তুনা চাকখ্রে। গাড়ী অদুগী মপুনা এস বোংজাং খুলদগী লাংখোই গুইতে কৌবা অমগীনি হায়রি।

থৌদোক অদু মারুটি ভেন অদু ৱেল্ডিং শৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা গাড়ী অদুগী টেঙ্কিদা য়াওবা পেট্রোল অদু হান্না লৌথোকহৌদবনা গাড়ীদুদা ৱেল্ডিং শৌবা মতমদা মৈ হৌরকপদগী চাক্লকপনি হায়রি। মফম অদুদা গাড়ী মৈ চাক্লে হায়বা পাউ তাবদগী য়াইরিপোক্কী ফায়র ষ্টেসনগী টিম অমা চঙলক্তুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি। অদুবু গাড়ী অদুগী অয়াম্বা শরুক মৈনা তুম্না চাকখ্রে হায়রি।

সনা কে জি ২.৩ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর পুলিস (নাব)কী টিম অমনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০গী নুমীদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা নোর্থ এ ও সীগী এরিয়াদগী সনা লল্লোনবা ত্রান্স নেসনল গেং মেম্বর খরা লৈরে হায়বা পাউ তাবদগী থিবা হুম্বা চত্থবদা নুপা অমা সনাগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা এম দি ফকরউদ্দিন আলি হমদ (৪৪) অপোকপা এম দি বসিরুদ্দিন কৌই। মহাক ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ১দা লৈবনি হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়, ফারবা মীওই অদু ৱাহং পাউহং চত্থবদা মহাক্না পুরক্লিবা সনা অদু ম্যান্মাররোমদগী পুরকপনি হায়রি। মণিপুর ফাওরগা ইন্দিয়াদা পুনবা হোৎনরম্বনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারিবা সনা অদু পুন্না কে জি ২.৩ নি। হায়রিবা সনা বিসক্কিট ১৪ অদু মহাক্না খোঙ মোজা মনুংদা লোন্না হাপ্লগা পুরকপনি হায়রি।

ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেন্থা খোংবালদগী সোসল এক্টিভিষ্ট খাঙেম্বম প্রিয়োজিৎ অমসুং লমশাং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা তাওথোং খুনৌ থম্নাপোকপীদগী সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈদা কম্মনৱেল্থ ভোকেসনল য়ুনিভর্সিটি, কিংদম ওফ তোঙ্গানা ওনরেরি ডোক্টরেট এৱার্দ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

উদিয়োপ বিহার, গুরগাওন, হরিয়ানাদা লৈবা হোটেল রেদিসনগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা দিজিটেল এদ্যুকেসন সবমিট অমদি কনভোকেসনগী থৌরমদা ওনরেরি ডোক্টরেট এৱার্দ অসি সোসল এক্টিভিষ্ট খাঙেম্বম প্রিয়োজিৎ অমসুং সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম কনবা মৈতৈদা খুৎশিন্নরকখিবনি। থৌরম অদুদা মালদিপসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন ডা. অব্দুলা রসিদ অহম্মদনা চীফ গেষ্ট, এন সী আর টি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি মেজর হর্সকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ৱাহন্থোক লৈরোই : দিঙ্গো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ঙসিগী মীরোলনা লূবা নানবা অসিবু থওইদ্রবদি ঐখোয়না বাপুজিবু নুংশি হায়বসি ৱাহন্থোক লৈরোই। গান্ধী জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোক্লবসু বাপুজিনা তাকপী তম্বীরম্বা ৱাহৈশিংবু থওইদ্রবদি বাপুজিগী থৱায়না ঐখোয়বু পেনবীরল্লোই হায়না সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী) অৱাং সেকমাইদা গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা সোসল সর্ভিসতা শরুক য়াখিবা এম এল এ, ঐচ দিঙ্গোনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না সী ঐচ সী অৱাং সেকমাইগী অৱাৎ-অপাশিংসু মেনশিন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি হায়খি।

সোসল সর্ভিস অদু সী ঐচ সী অৱাং সেকমাইগী ডোক্তরশিং, নর্সশিং, ষ্টাফশিং, অৱাং সেকমাই কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্ট কম্মিটি অমসুং অৱাং সেকমাইগী ক্লবশিংগা খুৎশম্নরগা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা সেকমাই পি এসকী টিমনসু মতেং পাংখি হায়রি।

গ্রাম সভা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লাংমৈদোং সী দি ব্লোক্কী মখাদা লৈবা ৱাঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী গ্রাম সভা মীফম ঙসি পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা লৈবা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মফম কোটি খোংনাংমখোঙদা জি পি অসিগী প্রধান এল শরতনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা পঞ্চায়ট অসিগী ৱার্দ ৱার্দশিংদগী লাকপা মীওই কয়ানা লাক্কদবা চহীদা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা পায়খৎহন্নিংবা থবকশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎনখি হায়রি।

অখন্নবা গ্রাম সভা মীফমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

খুন্দ্রাকপম গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা মহাত্মা গান্ধীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা অখন্নবা গ্রাম সভা মীফম অমা এ এ এস ঐচ এ ক্লব কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম জি পিগী প্রধান অবুজম ইবোচৌ, শওম্বুং ব্লোক্কী বি দি ও জাদুমনি, আর দি এন্দ পি আরগী কন্সল্টেন্ট এন সহদেব অমদি এন বি কোলেজগী চেয়রমেন এল কোমোলনচিংবা শরুক য়াখি। খুন্দ্রাকপম এম এস আর এল এমগী মখাদা শেম্বা লৌশিং মৈরা ভি এল এফ অমদি য়েন্নিং ভি এল এফকী মেম্বরশিংসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা আর দি এন্দ পি আরগী এন সহদেবদা থবক ফজনা তৌবগী খুদোল পীখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা প্রধান অবুজম ইবোচৌনা ফোঙদোকখিবদা, চহী অমদা গ্রাম সভা মরিদগী তাদনা পাঙথোক্লুবা পান্দম থমদুনা গ্রাম সভা অসি হেন্না ফগৎননবা হোৎনবদা কোভিদনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরকপদগী ঙসিগী তাঞ্জা অসি লৌবনি। লৈঙাক্না গ্রাম সভা মরিরক পাঙথোক্লুবা হায়রবসু ৮লক্তুগী তাদনা পাঙথোক্লুবা হোৎনগনি। জি পি দি পি ফজনা পায়খৎপগী হান্না এৱার্দ ফংখ্রে। হন্দকসু এৱার্দ ফংননবা হোৎনরি হায়খি।

অমরোমদা, ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা অখন্নবা গ্রাম সভা মীফম ৱাইতোন মনিং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বিরমঙ্গোল কোলেজ, শওম্বুংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর কে ঐচ সুবদনি, ৱাইতোন জি পিগী প্রধান পি সুরবালা, মালেমশেম্বী ভি এল এফ ৱাইতোনগী প্রসিদেন্ট এন নির্মলা, লাইশ্রম সমা হায় স্কুলগী সেক্রেটরি এম শরতনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কোভিদকী মতমদা কত্থোকপগা লোয়ননা থবক তৌখিবা রিমসকী সর্জরি এন্দ মেদিসিনগী সিনিয়র রেসিদেন্ট ডা. এস জয়কিষন অমসুং কোভিদকা মরী লৈননা অখন্নবা ভেন সর্ভিস তৌখিবা এল প্রকাশতা ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুদোলপোৎ পীখি। লোয়ননা গ্রাম সভা অসিগী মনুংদা লৈবা বেনিফিসরিশিংদা পি এম জি এ ৱাই, আয়ুশমান ভারতকী হেল্থ কার্দ অমদি সী এম ঐচ টিগী কার্দশিং য়েন্থোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা প্রধান পি সুরবালানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি পাঙথোক্লিবা গ্রাম সভা অসি গ্রাম পঞ্চায়ট দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম ২০২২-২৩ লেপথোকপা, জল জিবন মিসনগী মখাদা অফবা ঈশিং ফংহনবনচিংবা হীরমদা খন্ননবা পাঙথোকপনি হায়খি। থৌরমদুদা মঙাল ভি এল এফ, লাংমৈথানবী ভি এল এফ অমদি লাইনিংথৌ ভি এল এফকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ভাইস প্রসিদেন্টকী ইম্ফাল খোঙচৎ মাঙওইননা থিবা হুম্বা চত্থখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো অমদি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং শীংজমৈ পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০দগী হৌরগা পুং ৮.৩০ ফাওবা নিঙোম্বম এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। চাউরাক্না য়ুম ৬৫ রোমদা থিবা হুম্বা চত্থখিবা অদুদা মীওই ১৬০ রোমসু ভেরিফিকেসন তৌখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমসুং লম্ফেল পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবদগী পুং ৮.৩০ রোম তাবা ফাওবা তেরা খম্নাম লৈরক অমসুং মোইৱাংহনুবা লৈরক্তা থিবা হুম্বা চত্থখি। চাউরাক্না য়ুম ১০০ রোম থিবা হুম্বা চত্থখিবা অদুদা বেল আউট ৬ য়াওনা মীওই ১৫০ রোম ভেরিফিকেসন তৌখি। তুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোগী ওফিসর ইন-চার্জনা লুচিংবা টিম অমনা বজার এরিয়াগী জলান ক্রোসিংদা অয়ুক পুং ৭.৫০ রোম তাবদগী পুং ৮.২০ লোম তাবা ফাওবা থিবা হুম্বা চত্থখি। মদুদা মীওই ৫৫ রোম ভেরিফিকেসন তৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা চত্থখিবা অদুদা মীফা মীপুন অমত্তা য়াওখিদে। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদু লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা ইম্ফালদা লাক্লবা য়াই। অদুমকপু মহাক্কী খোঙচৎ অসি ওফিসল ওইনদি লাউথোকপা লৈত্রি।

গান্ধী জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেলনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এন এস এস য়ুনিট ৱান অমসুং য়ুনিট টুগা খুৎশম্নদুনা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫২শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা গান্ধী জয়েন্তিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না এম য়ুগী এন এস এস সেলগী কোওর্দিনেটর ডা. মাইবম নোদিয়াচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এন এস এসকী য়ুনিট অনীদগী ভলন্টিয়র ১০০ রোম্না শরুক য়ারগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা শিৎ শেংখি। প্রোগ্রাম অদুদা ষ্টেট লাইএজন ওফিসর ফিরোজ খান, ষ্টেট এন এস এস সেলগী কোওর্দিনেটর ডা. এম নোদিয়াচান্দ অমসুং এম য়ুগী এন এস এস প্রোগ্রাম ওফিসরশিং ওইরিবা ডা. এস সুনিল অমসুং ডা. এম মচা চাওরৈকনবসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ এল্যুমনাই এসোসিএসনগা খুৎশম্নদুনা লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী কেম্পসতা গান্ধী জয়েন্তিগা মরী লৈননা এন এস এস য়ুনিট ৱান, টু অমসুং থ্রীনা শীন্দুনা ট্রী প্লান্টেসন কম ক্লিনলিনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এম দি ফিরোজ খান, এসিষ্টেন্ট লাইএজন ওফিসর এন এস এস ইরোম লোকেন্দ্রো অমদি কোলেজ অসিগী এন এস এসকী প্রোগ্রাম ওফিসরশিং অমদি মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি হায়রি।